**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

**১) মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মিদিয়াদা খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা মতমদা কন্সট্রক্তিভ ওইবা মওংদা তৌহন্নিংই।**

**২) মোবাইল ইন্তরনেট দাটা সার্ভিসতা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে, মহৈলোইশঙশিংসু হয়েংদগী হাংলগনি।**

**৩) মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।**

**৪) ওজোন ডেগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু মফম কয়াদা পাঙথোকখি।**

অমসুং

**৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- পি.এম. সুরিয়াঘর মুফ বিজিলি য়োজনানা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা মৈ পুথোকবা পান্দম থল্লি।**

**------**

সিএম (এল)ঃ ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) লিংখৎখিবা চহি ৫০ শুরকপগী গোল্ডন জুব্লি পালন থৌরম ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর প্রেস ক্লবকী কম্পাউন্দা লৈরিবা জর্নেলিষ্ট মেমোরিএল পিল্লরদা মীয়ামনা লৈখিদ্রবা পাউমীশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়- মিদিয়াদা খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা মতমদা কন্সট্রক্তিভ ওইবা মওংদা তৌহন্নিংই। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৰাথোক অসিগা মরী লৈননা পাউ ফোংবদা খরগা হেন্না চেকশিন্না থৌদাং লৌহন্নিংই। মরমদি, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি কাংলুপকী ওইবা ইরাং নত্তে, মীরৈবাক্তগী চংশিল্লকপা মীতোপশিং অমসুং ড্রগ মফিয়াশিংগা থেংনবনি। মহাকা হায়- থোক্লিবা ইরাং অসি কাংলুপ মশেলগী মরক্তা থোকপা ইরাংগুমা উন্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অশেংবা অদু তপা তপা খঙবা হৌরক্লে। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবা অমত্তা লৈতে। তুংগী মীরোলগী খল্লগা ময়াই কাবা ড্রগতগী মণিপুরী খুন্নাইবু কলহৌনবগী ৰাখল্লোনদা ড্রগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবা হৌখিবনি। মসি কনাগুম্বা কাংলুপ অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে। ৰার ওন ড্রগসকী খোঙজং চংশিল্লকপদগী হৌখিবা চহি তরুক অসিদা লুপা কোতি লিশিং ৬০ রোমগী ড্রগ ফাগৎলে। লম হেক্তর লিশিং ১৮ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অমজ্গী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা হায়- লমদম অসিদা ঈ-পাউগী লমদা চাউরবা থৌদাং কয়া য়ারম্বা অহল ওইরবা পাউমীশিং অমসুং লৈখিদ্রবা পাউমীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা অমজ্গী গোল্ডন জ্বিলি থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ইনর্ফোমেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স মন্ত্রি- ডা: সাপম রঞ্জন, এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রামনচিংবা শরুক য়াখি। তুংদা, অমজ্না চহি ৫০ শুরকপগী গোল্ড জ্বিগা মরী লৈননা সোভিনিয়র অমসু ফোংখি। নো য়োর সেঙ্কচুরিজ এন্দ ৰেট লেন্দস কৌবা লাইরিক অমসু ফোংখি।

থৌরম লোইরকপদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- মুখ্য মন্ত্রি অমা ওইনা মণিপুরগী ইরাং অসিদা মীরৈবাক্কী খুৎ য়াওই হায়না ইরাং অসি হৌবদগী হায়দুনা লাকপনি, হৌজিকসু হায়রি। মসিগী মতিক চারবা প্রমান ওইনা হন্দক্তা অসাম রাইফলসনা ম্যান্মারগী লালহৌলুপ কুকি নেসনেল আর্মি (বরমা) কে.এন.এ(বি)গী কাদর অমা চান্দেল জিলাদগী ফাখিবসু লৈরে। ফারবা মীওই অদু ম্যান্মার মচানি। মসিগীদমক অসাম রাইফলসপু থাগৎলি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

নুমিদাংগী মতমদা জর্নেলিষ্ট মেমোরিএল পিল্লর অমসুং মণিপুর প্রেস ক্লবকী অকোইবা মৈরা থাদুনা লৈখিদ্রবা পাউমীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

ইন্তরনেট (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা মোবাইল দাটা সার্ভিসতা অথিংবা থল্লম্বা অদু লৌথোকখ্রে।

রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী হৌখিবা থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ৩ দগী তম্পাক্কী জিলা অহুম- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবালদা নুমিৎ মঙানিগী ওইনা ইন্তরনেট সার্ভিস থিংজিনখি। থা অসিগী ১৫ দা থোকখিবা হুকুম অমদা মখা তানা থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ইন্তরনেট সার্ভিসকী অথিংবা থমখি। অদুমওইনমক, শান্তি রক্সাগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী হৌখিবা থা অসিগা ১২ দগী কন্দিসন খরদা ব্রোদ বেন্দদা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখি। মখা তানা য়েংশিনবদা শান্তি রক্সাগী ফিভম খরগা হেন্না ফগৎলকপদগী- লিজ লাইন, ভি-সেট, ব্রোদ বেন্দ অমসুং ভি.পি.এন সার্ভিসশিং য়াওনা মোবাইল দাটা ইন্তরনেট সার্ভিস থিংজিল্লম্বা অদু ঙসি নুংথিলদগী লৌথোকখ্রে।

স্কুল (এল)ঃ মতম খরা মহৈলোইশঙশিং ছুতি থারুরবা মতুংদা হয়েংদগী অমুক মহৈলোইশঙশিং হাংদুনা মহৈ তম্বা হৌরগনি হায়রি। রাজ্যগী ইজ্‌কেসন

(এস)কী দিরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী স্কুলশিং, প্রাইভেট স্কুলশিং অমদি সেন্ট্রেল স্কুলশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম হাংদুনা ক্লাস তৌবা হৌরগনি। মসিগীদমক মরী লৈনবা জেদ.ই.ওশিংদা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, হায়র এন্দ টেকিলেক ইজ্‌কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি লাইশ্রম দোলি দেবীনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী ইন্সটিট্যুসনশিং, এদেদ কলেজশিং অমসুং প্রাইভেট কলেজ খুদিংমক হয়েংদগী মহৌশাগুব হাংবা হৌরগনি।

রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী হৌখিবা থা অসিগী ৭ তগী মহে লোইশঙশিং তাঙ্কক নাইনা ছুতি থাদুনা লাকপনি।

ককৱা (এল)ঃ রিমসতা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরিবী নাওরেম ওংবী শঞ্জিতাগী লৈখিদ্রবা থা ৯ গী অঙাং অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী ১১ দা ককৱাদা থোকখিবা মীয়ামগী ইহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাপ্লকপা তিয়ার গ্যাসকী মৈখু চংখিবদগী শঞ্জিতা হৌজিক হৌজিক ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নদুনা অরুবা ফিভম লৈরিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগা মুখ্য মন্ত্রিগা য়ান্নবা পুরকপদগী অঙাং অসিগী মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবদা জে.এ.সিগী কনভেনরনা হায়- সরকারদা জে.এ.সিনা দাবী তৌখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপা হৌরকপদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। দাবীশিং অদুগী মনুংদা য়াওবা- পুলিসনা ফাজিনখিবা খোঙজংলোইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীরকউ হায়খিবা অদু থাদোরকখ্রে। নাওরেম শঞ্জিতা অমসুং মহাক্কী অঙাং করিসু তৌদে হায়না অরানবা পাউ পীরকখিবা ডাঃ বিজয়া লক্সমিগী মথক্তসু সরকারনা এফ.আই.আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। মসিদসু নত্তনা পুলিসনা কা হেনবা থৌওং চথুখিব্রা হায়বগী মতাংদা অশেংবা খঙদোকবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারিসু চথুবা হৌখ্রে।

কার্ফিয়ু (এল)ঃ  মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

অকাশবানি (এল)ঃ  অকাশবানি ইম্ফালগী মণিপুরী লোলগী জেনেরেল এন্নাউন্সর খরা কেজ়য়েল এসাইনি ওইনা লৌগদৌরিবা অসিগী নমথোক্লবা ফোর্ম ওন লাইনগী খুত্থাংদা অকাশবানি ইম্ফালগী ফেসবুক পেজ- অকাশবানি ইম্ফালদগী দাউনলোদ তৌবা য়ারগনি। মেনশিল্লবা ফোর্মশিং অদু থা অসিগী ১৮ দগী হৌরগা ২৫ ফাওবগী মনুংদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালদা লাক্তুনা পীশিনগদবনি হায়রি।

ওজোন ডে (এল)ঃ  ওজোন ডেগী থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখি। মীওইবনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না কোল-কার্খানা অমদি ইঞ্জিন পানবা গাড়িশিংদগী কার্বোনদাই ওক্সাইদ থাদোকপগী হেনগৎলকপদগী ওজোন লয়ারদা পাথরক্তুনা মহৌশাগী খলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু পাক শন্না ৱাখল তাহন্নবা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ওজোন ডেগী মতাংদা লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজগী কেমিষ্ট্রিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার মংসাতাবম লোকেশ্বরনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়- ওজোন লয়ার অসি পৃথিবীগী লৈমায়দগী কিলোমিতর ২০ দগীনা ৩০ মুক লাপ্পা মফমদা কুয়োম অমা ওইনা কুপশিন্দুনা লৈ। মসিনা নুমিৎতগী লাকপা নুংশা মঙালদা য়াওরকনা আল্ট্রা ভাইওলেট রেশিংবু চুপশিন্দুনা পৃথিবীগী লৈমায়দা কা হেন্না শাবা অমদি অমাং অতা থোকহনগদবদগী ঙাকথোকই। মরম অদুনা ওজোন লয়ারবু ঙাক শেন্দুনা অশোই অঙাম থোকহন্দনা থম্বা হায়বসিনা পৃথিবীদা মীওইবা খুন্নাইনা তুং কোইনা লৈবদা হেন্না নুংঙাইগদৌরিবনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীৎয়েং মখাদা ইনভাইরোনমেন্টে ইনফোর্মেসন এৱারনেস কেপাসিতি বিল্ডিং এন্দ লাইভলিহুদ প্রোগ্রাম মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট-টুদা

লৈবা বামোন লৈকাহ্ কম্যুনিতি হোলদা মালেমগী ওজোন নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। মোন্ট্রিয়েল প্রোতোকোল, এদভান্সিং ক্লাইমেত এক্সন হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মহৌশাগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা অমদি ওজোন লয়ার কন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ঙসি মালেমগী ওজোন নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অঙীং অশাগী ফিভম অমদি ওজোন লয়ারগী মতাংদা অখণ্ড অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি।

বিশ্বকর্ম্মঃ  পিশাতাও ইরাৎপা অমসুং বিশ্বকর্ম্ম পুজাগী থৌরম ঙসি মণিপুরদা পাঙথোকখ্রে। মীতৈ লাইনিংদা থাজবা মীওইশিংনা নুমিৎ অসিবু পিশাতাও ইরাৎপা হায়না মফম কয়াদা লাইনিংথৌ পিশাতাওবু ইরাৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা নুমিৎ অসিদা বিশ্বকর্ম্ম পুজা পাঙথোক্কুনা, ঙসিগী ওইনা শিন্থা লেপ্তুনা খুৎশু খুৎলায়শিং পুজা তৌনখি। বিশ্বকর্ম্ম পুজাগী থৌরম ঙসি লোক্তাক পৱার ষ্টেসনদসু পাঙথোকখি।

মীলাদঃ  লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি মীলাদ উন-নবী পাঙথোক্লি। হজরত মুহমদকী মপোক নুমিৎ অসিবু মুসলমানশিংনা মীলাদ উন-নবা হায়না চহি খুদিংগী পাঙথোক্লি।

মসজিদ অমসুং মদ্রাসাশিংদা মপুগী মফমদা থৌনিজবা অমসুং লাইশোল থৌরম পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

ইম্ফালদা লৈবা গোলাপতি জমা মসজিদ মেনেজিং কমিতিগী সেক্রেটরি-জ্লফিকর কমালনা হায়- হজরত মুহমদকী মপোক নুমিৎ লাকপা অসিদা লমদম অসিদা তংদু লৈতানা নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা ওইরসনু। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা লমদম অমা মপুনা পীনবীবা ওইরসনু।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং লৌরেল ফাওরগা চৎলিবা পল্লেল মন্তক লম্বীগী ককচিং খোঙনাং মরি ফাংবা মপাদগী নরসিংহ্ মন্দির মমাং ফাওবগী নৌনা শেমজিনবা লম্বীগী শরুক ঙসি ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা এম.এল.এ রামেশ্বরনা হায়- ইরাং কয়া লৈরবসু মীয়ামগীদমক চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদি পায়খৎতবা য়াদে হায়বা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী অচেৎপা ৱাখল্লোনগী মখাদা ফিভম ফত্তবা লম্বীশিং শেমজিনবগী থবক চখুরি। মসিগী মনুং চন্না ঙসি শঙ্গারিবা লম্বী অসিসু শেম্বনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি নোনে জিলাগী তুপুলদা লম তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

নুঙবা (এল)ঃ মমাং চহিগী জ্লাই, ওগষ্ট অমসুং নবেম্বর থাশিংগী নফসাগী চেং পীথোকপীয়ু হায়না নুঙবা এরিয়া ভিলেজ ওথোরিতি এসোসিয়েসন্না হায়রি। মসিগী মথক্তা চহি অসিগী এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবগী পীথোক্তনা লৈরিবা নফসাগী চেংসু পীবীনবা এসোসিয়েসন অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিতিগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ বেঙ্গলুরুগী, বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চখুরিবা সব-জ্নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী গ্রুপ বি গী মেটচ অমদা ঙসি মণিপুরনা গুজরাটপু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখ্রে। মণিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৮ দা ঝরখন্দগা শান্নগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা গ্রিন দিভলপমেন্ট ফংনবগী মতাংদা ভারতকী অচেৎপা ফিরেপ অদু অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে। মরিসুবা আর.ই. ইনভেষ্ট গ্লোবেল রিন্যুএবল ইনর্জিগী মীফম হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা গান্ধিনাগরগী মহাত্মা মন্দিরদা পি.এম. সুরিয়াঘর মুফ বিজিলি য়োজনা হৌদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইবতা নত্তনা চহি ৯ গী মমাংদা পেরিসতা ক্লাইমেতকী মতাংদা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমলে। লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা অশং অমান্না থল্লবা লৈবাক অমা শেমগৎনবা হোৎনবগী থবক খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি। পি.এম. সুরিয়াঘর মুফ বিজিলি য়োজনানা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা মৈ পুথোকবা পান্দম থল্লি।

ভাস্কর ঃ কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ভারত ষ্টার্টঅপ নোলেজ এসেস রেজিষ্ট্রি- ভাস্কর হৌদোকখ্রে। ভাস্কর অসি ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী মরুওইবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাওদোকদুনা মখোয়গী থাক ৱাংখৎহন্নবগী পান্দমদা ওনলাইন প্লেটফোর্ম ওইনা পুথোকপনি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গোয়লনা হায়- ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেমদা ভারত অসি মালেমগী হব অমা ওইহন্নবগীদমক ওন্তরপ্রেন্যুরশিং অমসুং অতৈ ষ্টেগ হোল্ডরশিংনা অঙন্বা থৌদাং য়াদুনা কন্না হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- ভাস্কর অসিনা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা চাংদমবা হেনগৎহনগনি।

নেভি ঃ নেভেল কম্মান্দরশিংগী অনিসুবা ইদিসনগী মীফম হয়েংদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি। চহি অনি অনিগী ওইনা পাঙথোকপা মীফম অসিদা নেভেল কম্মান্দরশিংগী মরক্তা ওপরেসনেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভ ইসুশিং য়াওনা লম কয়াগী মতাংদা পুন্না খন্ন-নৈনবনি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- নুমিৎ মরিনি চুপ া চথুগদবা মীফম অসি হয়েং চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফনা হৌদোকক্কনি। হয়েং অহৌবা নুমিৎতা ভারত নেভিনা হৌখিবা থা ৬ অসিদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী লম ঙাক শেনবদা নৌনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নগনি।

------